# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-07-2024)**

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথখিবা ওপরেসনদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

ককচিং জিলাদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অহুম, টুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, হেন্দ গ্রেনেদ মঙা, পম্পী অমা, ৱয়ারলেস সেট অনি, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ২২ জিলা অসিগী এ. মোংবুং চিংশাংদগী ফাগৎপা ঙমখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা কাংপোকপী জিলাগী গোবাজাংদগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট টোইন্তি টু রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, মেগজিন য়াওবা সভেন পোইন্ট সিক্স ফাইব এম.এম. পিষ্টোল অমা, দিটোনেটর য়াওদবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎখি।

ককচিং জিলাগী ৱাইখোং লৌপু চিংদগী আইতিৱান এম.এম. মোটার সেল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, স্মোগ সেল অনি ফাগৎপা ঙমখি। অকনবা সেক্যুরিতিগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে টুদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুশিল্লক্লি। লন্বী অসিদা গাড়ি ৪৪৫ পুশিল্লকখ্রে।

**কার্গিল(এল)ঃ** ২৫ রকশুবা কার্গিল বিজয় দিবস থৌরম ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লি।

কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন, রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শিনদুনা কার্গিল বিজয় দিবস পালনগা মরী লৈননা ইন্টিগ্রেটেদ কম্যুনিকেসন অমসুং আউটরিটচ প্রোগ্রাম

অমা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক্তা লৈবা রিজনেল ওফিস ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি।

ইং কুমজা ১৯৯৯ দা কার্গিল ৱারদা ভারত লান্মীনা চাউনা মায় পাকখিবা অদুবু নীংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাকপনি। দ্রাসতা লৈবা ৱার মেমোরিএলদা কার্গিল বিজয় দিবসকী রজত জয়েন্তি পাঙথোক্কনি। থৌরমদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংদুনা লৈবাক অসিগীদমক থৱায় থাখ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎকনি। দ্রাসতা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিগী য়েংলগা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা দ্রাস অমসুং কার্গিলগী মফমশিং নো দ্রোন জোননি হায়না লাউথোকখ্রে।

**ভাবন(এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা ঙরাং রাজ ভবনদা রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেগা উন্নখ্রে।

হন্দক্তা কোলকাতাদা পাঙথোকখিবা ইন্টর সাই আর্টিষ্টিক জিমনাষ্টিক টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুবা কুমারী লৈফ্রাকপম কিরনমালা চনুনা রাজ ভবনদা রাজ্যপালগা উন্নখি। কিরনমালা চনু মহাক্কী ইমুং মনুংগা লোয়ননা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরকপনি অমদি তুংদা স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াদা মিং চনখিবনি।

রাজ্যপালনা চহি ১১ শুরবী জিমনাস অসিগী হৈথোই শিংথোইববু থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়ননা মহাকপু পুকিং থৌগৎপা ওইনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২৫ রাজ্যপালনা খুৎশিন্নখি।

অমরোমদা, ওল মনিপুর টেলি এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরিনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনসু রাজ্যপালগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা টেলি কাংলুপশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং মতেং পাংবীনবা হায়জখি। হৌখিবা মে থাদা রাজ্যপালদা আই.এল.পি. অমসুং পি.আর.সিগুম্বা সার্টিফিকেটশিং পীবগী মতাংদা থোরক্লিবা খুদোংচাদবশিং কোকহনবীনবা রাজ্যপালদা মেমোরেন্দম

পীশিনখিবা অদু থবক্তা ওন্থোকপীনবা তকশিনখি। রাজ্যপালনা মখোয়গী মতেং য়ারিবমখৈ পাংগনি হায়বগী থাজবা পীবগা লোয়ননা মেমোরেন্দম অদুগী কোপিশিং মুখ্য মন্ত্রি অমদি চীফ সেক্রেটরিদসু পীশিন্ননবা খঙহনখি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা হনজিলহন্নবা দাবী তৌদুনা সোসিএল এক্তিভিষ্ট ত্রান্সজেন্দর অহুমনা রাজ্যপাল উন্নখি। মখোয়না রাজ্যপালদা থা ১৪ হেন্না অৱাবা মায়োকরকপা অসিনা ত্রান্সজেন্দরশিং য়াওনা লম খুদিংমক্তা মীওইবগী পুন্সিদা চাউনা চৈথেং পীরে হায়খি।

**জিরি(এল)ঃ** জিরি অপুনবা লুপনা জাকুরাধোর পার্ট টুনা লৈবা যুম অমা থা অসিগী ২৪ গী নুমিদাংদা মৈ থাদোক্লম্বগী থৌওং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেসনগা নকনা লৈবা য়ুম অসি করমা মৈ থারল্লিবনো হায়বদু হংবা য়াবা ৱাফমনি হায়রি।

**সিবিআই ঃ** সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি.বি.আই) না হায়রি-নিট (য়ু.জি) ২০২৪ পরিক্ষাগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা এজেন্সি অসিনা মফম ৩৩ দা থি-হুম্বগী থবক চথখ্রে। বিহার পুলিসকী মীওই ১৫ য়াওনা মীওই ৩৬ ফারে। এজেন্সিনা হায়-নিট (য়ু.জি) পরিক্ষাগা মরী লৈননা সি.বি.আইনা থিজিল্লিবা অসিগী মতাংদা মেদিয়াদা ফোংনরক্লিবা রিপোর্টশিং অসি অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবনি। মসিনা মীয়ামবু লান্না লমজিংনবা হোৎনরে।

সি.বি.আইনা হায়-থিজিন হুমজিনবগী থবক চথরিঙৈ মনুংদা শাক্ষি ওইবা য়াবা চে-চাং কয়ামরুম ফংলে। হৌজিক মখা তানা থিজিল্লি।

**বঙ্গলাদেসঃ** সরকারনা হায়রি-বঙ্গলাদেসতা কোটাগা মরী লৈননা থোক্লিবা ইরাং অসিদা হৌজিক ফাওবদা ভারতকী মহৈরোই লিশিং ৬,৭০০ বঙ্গলাদেসতগী হল্লকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা এক্সটরনেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক-রনধির জেসৱালনা হায়-ভারতকী মহৈরোইশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা পুরকবা হোৎনবদা বঙ্গলাদেস সরকারনা চাউনা মতেং পাংলি। শ্রী জেসৱালনা হায়-ধাকাদা লৈবা ইন্দিয়ান হায় কন্মিসননা মহৈরোইশিং অশোয় অঙাম থোক্তনা ঙমখৈ পরিং নৎত্রগা ইয়ারপোর্ট তমা চৎননবা থবক পায়খৎলি।

মহাকা হায়-সরকারনা পুং ২৪ মথৌ তৌগদবা হেল্প লাইন নম্বরশিং হাংদোক্তুনা থম্লি। বঙ্গলাদেসতা অথুবা মতমদা শান্তি হনজিল্লক্কনি হায়বগী থাজবা মহাকা ফোংদোকখি।

**ওলিম্পিকঃ** পেরিস ওলিম্পিক-২০২৪ ঙসি নুমিদাং ভারতকী মতম পুং ১১ তাবা মতমদা ওপনিং সেরেমোনি পাঙথোক্তুনা হৌদোক্লগনি।

ওপনিং সেরেমোনিগী মাংওইননা ঙরাং শান্নখিবা অচ্যারিগী মেন্স টিমদা ভারতনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে অমদি নুপীগী টিমনা ক্বাটর ফাইনেল ষ্টেজ চংবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে। নুপাগী অচ্যারি টিমনা পোইন্ট লিশিং ২,০১৩ ফংদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখিবনি।

সরকারনা হায়রি-পেরিস ওলিম্পিক্তা য়াওরিবা ভারতকী কন্টিনজেন্টগী চাদা ২৫ দি খেল্লো ইন্দিয়াগী এঠলেট ঙাক্তনি। রাজ্য সভাদা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি-মনশুখ মন্দাভিয়ানা হায়-অপুনবা শান্নরোই ১১৭ কী মনুংদা শান্নরোই ২৮ দি খেল্লো ইন্দিয়াগী ঙাক্তনি। মহাকা হায়-হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা খেল্লো ইন্দিয়া সেন্টর লিশিং অমা হেন্না অমসুং এক্রিদেটেদ একাডমী ৩০২ হেন্না হাংদোক্লে।

পেরিস ওলিম্পিক ২০২৪ মথং থাগী ১১ ফাওবা চথগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-সিরিকলচর দিপার্টমেন্টকী প্রোজেক্ট মরিগী লুপা ক্রোর অমা লাখ ২৩ য়েন্থোকখ্রে, মনিপুর থুগায়নবা হোৎনরুবশিং থেংনবদা লিংজেল মান্নসি, অপিকপা পোলিটিক্স তৌনগুমসি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ-মনিপুর মেল, মনিপুর ন্যুজ, সনা লৈবাক, তমেংলোং টাইমস, পোকফমনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-ষ্টেটকী দরকার লৈবা শেনফমশিং সেন্টরনা পীরি। বজেটতা মিং পল্লি, পন্দে য়েৎননিংঙাই ওইদে হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-চীফ মিনিস্তর-এন. বিরেন নিতি আয়োগ মীফম য়াওনবা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে। হেদলাইন অসিগী মখাদা পি.এমগা মনিপুরগী ইশু খন্নরক্কনি, কুক এম.এল.এ. ১০ এসেমব্লি মীফম য়াওনবা ইনভাইট তৌরগনি, জিরিদা য়ুম মৈ থারম্বদা চেন্নবশিং ফাগৎলগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-মনিপুরদগী অসাম রাইফলস লৌথোকখিনবা কোকোমিনা দাবী তৌরি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

সনা লৈবাক্তা-মনিপুরদা রেজিষ্টার তৌবা গাড়ি লাখ ৫.৭৯ হেনখ্রে। থা তরেৎকী মনুংদা গাড়ি লিশিং ১৫ হেন্না লৈনখি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-পি.এম. উননবা হায়জরুবা বি.জে.পি. এম.এল.এশিং হোম মিনিস্তর উনৌ হায়রক্লে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-পুবা থাংবা ঙমদবা শেনখায়গী মায়োক্তা

য়ানিংদবা উৎতুনা মহৈরোইশিং, ওজাশিংনা নুমিৎ হুমনিগী খোঙজং চথবা হৌখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-পার্লিয়ামেন্টতা মনিপুর পনবা-পন্দবদা পোলিটিক্স তৌবিগনু, সেন্টরনা লেন অমসুং ঈচাওনা শোল্লবশিংগী লুপা কোতি ৮০ হেন্না পীরক্লি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোরনিং বেলদা-কুকিগী এম.এল.এ. তরা বিধান সভাগী মীফম য়াওনবা মুখ্য মন্ত্রিনা বার্ত্তন তৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-মুখ্য মন্ত্রিনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা উন্নদুনা মনিপুরগী ৱাথোক ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনগনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-কাংমোং মনীংদা কুকি টেরোরিষ্টশিংনা লৌতাংশঙ মৈনা তুমা থাদোক্লল্লে হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-রাজ্যপালনা জিমানাষ্টিক শান্নরোই, ত্রান্সজেন্দরশিং উন্নখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সেনাপতিদা ২৫ শুবা কার্গিল বিজয় দিবস পালনগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান আর্মিনা বির মতা, বির নারি অমসুং গেলের্ন্ট্রি এৱার্ড ফংলবশিং তরামা ওকখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা প্রধান মন্ত্রিগা ন্যু দিল্লিদা উন্নদুনা মনিপুরগী ৱাথোক্কী মতাংদা খন্নগদৌরি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-কুকিগী এম.এল.এ. তরা বিধান সভা মীফম য়াওবীনবা ইশামকা বার্ত্তন তৌগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।